# অহানবা সঙাই ট্রোফি ভেটেরান ফুটবোল চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৭

## মুসানা আই ই ভি এফ এ–বিবু ৩–১ দা মায়থিবা পীখ্রে



ইম্ফাল, মে ১২ঃ ওল মণিপুর য়ুনাইটেদ ভেটেরান ফুটবোল এসোসিয়েসননা শিন্দুনা ভেটেরান ফুটবোল তিম ২০না গ্রুপ ৪ থোক্লা খায়দোত্তুনা থা অসিগী ২৩দগী চথরকখিবা অহানবা আর কে এফ দি এস সঙাই ট্রোফি ভেটেরান ফুটবোল চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৭গী ঙসি টি বি এস এফ এ তাউবুংখোক গ্রাউন্দা ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেটচতা উভসা লিলোংগা এ টি ভি এফ এ থাংমৈবন্দগা লম্বা তৌনগদবদা উভসা লাক্তবদগী অহানবা মেটচ শান্নখিদ্রে।

ঙসিগী অনীশুবা শান্নখিবা মেটচতা মুসা মেজোরখুলনা আই ই ভি ই এফ এ–বি সলাম্থোং বু গোল ৩–১ দা মায়থিবা পীখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা মেটচ অদুদা মুসাগা আই ই ভি ই এফ এ–বিগা লম্বা থেংনবদা মুসানা গোল ৩–১ দা মায়থিবা পীখিবনি। মেটচ অদুদা মুসাগী মাইপাকপগী গোল অদু মেটচকী মিনট ৩৫ দা জর্সি নম্বর ৯ সনাতোম্বনা অহানবা গোল চনখি।

মেটচকী মিনট ৪০ দনা জর্সি নম্বর ১৯ ইঙোবীনা অনীশুবা গোল অমদি এদিসনেল টাইমদা জর্সি নম্বর ১৬ সৈলাম্না অহুমশুবা গোল চনখি।

মায়থিহৌরবা আই ই ভি ই এফ এ–বি গী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা মেটচকী মিনট ১৫ দা জর্সি নম্বর ১৯ বসন্তনা চনখিবনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী মখা চথরকপা ওইনা হয়েংগী অহানবা মেটচতা টি বি এস এফ এ তাউবুংখোক্কা লাগসা সুগনুগা অমদি অনীশুবা মেটচতা আই ভি এফ এ কাঙ্গিপুরগা টি আর ভি এস এ মালোমগা লম্বা থেংনরগনি।

# ২৫শুবা মণিপুর সিভিল সর্ভিস টেন্নিস চেম্পিয়ন্সিপ্তা সেক্রেটরীয়েৎনা টিম চেম্পিয়ন ওইখ্রে

*ইম্ফাল,মে ১২ঃ*
২৫শুবা মণিপুর সিভিল সর্ভিস টেন্নিস চেম্পিয়ন্সিপ লম্ফেলপাৎতা লৈবা ওফিসার ক্লবকী দেকো তর্ফতা শান্নখিবা চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী ঙসি শান্নখিবা টিম ফাইনেলদা সেক্রেটরীয়েৎ দিপার্টমেন্টনা টিম চেম্পিয়ন ওইখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা টিম ফাইনেল মেটচকী অহানবা সিঙ্গলসতা সেক্রেটরীয়েৎকী টি পমৈনা পি ঐচ দি ই গী ঐচ ইবোতোনবীবু ৭–৫, ৬–১ ষ্ট্রেট সেট অনীদা থোইখ্রে।

অনীশুবা সিঙ্গলস মেটচতা সেক্রেটরীয়েৎকী অজাদ খান্না পি ঐচ ই দি গী এল দিলিপ্পু ৬–৪, ৬–২ ষ্ট্রেট সেট অনীদা মায়থিবা পীখ্রে।



ওপন সিঙ্গলসতা কংজাম্বনা ৱাই ইবোতোম্বীবু ৬–৩, ৬–১দা ষ্ট্রেট সেটতা মায়থিবা পীখ্রে।

অনীশুবা ওপন সিঙ্গলসতা এন দিলিপ্না এল সরতপু ৬–৪, ৬–২ ষ্ট্রেট সেট অনীদা মায়থিবা পীখ্রে।

ওপন দবলসতা অজাদ খান অমদি পি কে শিং জ্রানা নবকিশ্বর অমদি টি পামৈবু ৬–২, ৬–৪ ষ্ট্রেট সেট অনীদা মায়থিবা পীখ্রে। থা অসিগী ১৪ দা চথরক্লিবা ২৫শুবা মণিপুর সিভিল সর্ভিস টেন্নিস টুর্নামেন্ট ২০১৭ অসিগী ফাইনেল মেটচ লম্ফেলপাৎকী ওফিসার ক্লবতা লৈবা দেকো তর্ফতা শান্নবগা লোয়ননা মনা–য়েন্থোকপগী থৌরম অমসু পাঙথোক্লগনি। থৌরমদুদা মণিপুরগী চিফ সেক্রেটরী ও নবকিশ্বরনা চিফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়াগনি।

# ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসনগী ইন্টর দিষ্ট্রিক্ট ট্রান্সফর তৌগদবা শান্নরোইশিংগী অয়াবা লৈখ্রে

*ইম্ফাল,মে ১২ঃ*
মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা দিষ্ট্রিক্টতা লৈরিবা ফুটবোল এসোসিয়েসন অমসুং দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিয়েসনগী মখাদা লৈরিবা ফুটবোল শান্নরোইশিংনা অতোপ্পা ক্লবশিংদা ট্রান্সফর তৌবগী মতম অদু পীখিবগা লোয়ননা মখা লৈরিবা শান্নরোইশিং অসি মখোয় মখোয়না হান্না শান্নরম্বা ফুটবোল ক্লবশিং অদু মতুংদা নৌনা অতোপ্পা ক্লবশিংদা শান্নদুনা কুমজা ২০১৭–১৮ কী টুর্নামেন্টতা শরুক য়াহনবগী তাঞ্জা অদু লৌরি। ট্রান্সফর তৌরবা শান্নরোইশিংগী মমিং মখাদা পীরি।

| Sl.No. | Name | From | To | Category |
|---|---|---|---|---|
| 1 | L. BIKRAM SINGH | TRUGPU (BPR) | TRAU (IW) | AMATEUR |
| 2 | M. MANITON SINGH | KLASA (BPR) | TRAU (IW) | -DO- |
| 3 | N. MOMOCHA SINGH | FC MOIRANG (BPR) | TRAU (IW) | -DO- |
| 4 | M. DEEPAK SINGH | FC MOIRANG (BPR) | TRAU (IW) | -DO- |
| 5 | E. JOYKISHAN SINGH | SAO (KAK) | YDO (IW) | -DO- |
| 6. | M. SANAYAIMA SINGH | PYC (KAK) | YDO (IW) | -DO- |
| 7. | MOHAMAD AZIZ SHAHA | LILONG FC (TBL) | KIYC (IE) | -DO- |
| 8. | MD. NASHIB KHAN | UPC (IW) | KIYC (IE) | -DO- |
| 9 | LUNJOEL HAOKIP | MUVANLAI ATHLETIC'S (S/HILLS) | DOAK (IE) | -DO- |
| 10 | Y. LENKER ROY | RAU (IE) | YDO (IW) | -DO- |
| 11 | RABIYA | WFA (KAK) | YWC(L) (IW) | -DO- |
| 12 | H. DAYA DEVI | WFA (KAK) | YWC(L) (IW) | -DO- |
| 13 | M. JOSHIMA DEVI | WFA (KAK) | YWC(L) (IW) | -DO- |
| 14 | T. SUNDER SINGH | KPFC (BPR) | YDO (IW) | -DO- |
| 15 | IMRAN KHAN | SSU (IW) | FC ZALEN (S/HILLS) | -DO- |
| 16 | TAJUDDIN | TRAU (IW) | FC ZALEN (S/HILLS) | -DO- |
| 17 | Y. BISHAN MEITEI | TRAU (IW) | FC ZALEN (S/HILLS) | -DO- |
| 18 | TH. SANGKAR SINGH | TRAU (IW) | FC ZALEN (S/HILLS) | -DO- |
| 19 | K. GOVINDO SINGH | NCC (IW) | USA (IE) | -DO- |
| 20 | S. KIPSON SINGH | BMSC (IW) | USA (IE) | -DO- |
| 21 | L. ROCKY SINGH | SKYC (IW) | USA (IE) | -DO- |
| 22 | TH. JAMES SINGH | AFC (TBL) | USA (IE) | -DO- |
| 23 | PH. KISHAN SINGH | AMOFA (BPR) | USA (IE) | -DO- |

### ১২শুবা তেলৌ সোসাইটি ট্রোফি

# ৱাই দি সি এল অমদি বি এস য়ু মায় পাকখ্রে



*ইম্ফাল,মে ১২ঃ*
তেলৌ জোইন্ট কো–ওপরেটিব ফার্মিং সোসাইটি লিমিটেদনা শীন্দুনা টিম ২০ না গ্রুপ মরি থোক্লা খায়দোক্লুনা তেলৌ সোসাইটি ট্রোফি ৭–এ সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৭ গী মখা চথরকপা ওইনা ইষ্টর্ন য়ুনাইটেদ স্পোর্টিং ক্লব, তেলৌ গ্রাউন্দদা ঙসি শান্নখিবা অহানবা লীগ মেটচতা ৱাই দি সি এল পুংদোংবম্না এন এন সি কে এ নোংগ্রেনবু গোল ৪–১ দা মায়থিবা পীখ্রে।

অনীশুবা মেটচতা বি এস য়ু নোংপোক ককচিংগা পি জে পি সি পুখাওবু গোল ২–০ দা মায়থিবা পীখ্রে।

ৱাই দি সি এল অমদি এন এন সি কে এ অনীনা লম্বা তৌদুনা শান্নখিবা অহানবা মেটচ অদুদা খরা এক্সপরিয়েন্স লৈরবা ৱাই দি সি এল না গোল কন্ট্রোল তৌবগা লোয়ননা গোল ৪–১ দা এন এন সি কে এ বু মায়থিবা পীখিবনি।

মেটচ অদুদা ৱাই দি সি এল গী মায় পাকপাগী গোল অদু মেটচকী মিনট ১৩ অমদি ৩৩ দা দব্লিউ মালেমঙাম্বনা অহানবা অমদি অনীশুবা গোল চনখি। মেটচকী মিনট ৩৪ দা সনামচানা অহুমশুবা গোল অমদি মিনট ৫০ দা লকিসন্না মরিশুবা গোল চনখিবনি।

মায়থিহৌরবা এন এন সি কে এ গী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা মেটচকী মিনট ৩০ দা নাওচানা চনখিবনি।

অনীশুবা মেটচতা পি জে পি সি গা বি এস য়ু গা লম্বা তৌদুনা শান্নখিবা মেটচ অদুদা বি এস য়ু না গোল ২–০ দা পি জে পি সি বু মায়থিবা পীখিবনি। মেটচ অদুদা বি এস য়ু গী মায় পাকপগী গোল অদু মেটচকী মিনট ৪৬ অমদি ৫০ দা লেম্বনা গোল অনী চনখিবনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী মখা চথরকপা ওইনা গ্রাউন্দ অসিমত্তুদা হয়েং অহানবা মেটচতা এফ সি সৈজাংগা এফ সি য়ুম্নাম খুনৌগা অমদি অনীশুবা মেটচতা সি ঐচ ৱাই য়ু সি চলৌগা ৱাই এস দব্লিউ সি শবুংখোক্কা লম্বা থেংনরগনি।






## ফুটবোল রেফরিগী ফিটনেস অমসুং এগজাম পাঙথোক্লগনি

*ইম্ফাল,মে ১২ঃ*
ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসন্না ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসন্না অয়াবগী মতুং ইন্না চহি অসিগী জুন ১১ দা ফুটবোল মশান্নগী রেফরিশিংগী ওইবা ফিটনেস টেষ্ট অমসুং এগজামিনেসন পাঙথোক্লগনি হায়না ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসনগী জেনরেল সেক্রেটরীনা প্রেসতা পীরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

য়াওনিংবা রেফরিশিংনা মখোয় মখোয়গী দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিয়েসন গী খুৎথাংদা চংগদবা দোকুমেন্টশিংগা লোয়ননা চহি অসিগী জুন ৬ ফাওবগী মনুংদা চেরোল পীশিল্লকপা য়াগনি হায়না অফ্ফাগী পাউ অসিনা মখা তারক্লি।

### ১৯শুবা চেলেঞ্জ কপ ২০১৭

# চজিং এফ সি ফাইনেল চংখ্রে



*ইম্ফাল,মে ১২ঃ*
ওল মণিপুর ভেটেরান ফুটবোল এসোসিয়েসনা শিন্দুনা মমাং থাগী ২০দগী টিম ৯না শুরুক য়াদুনা গ্রুপ ২ থোক্লা খায়দোক্লুনা ওলেবেন ষ্টার অকাম্পাৎগী গ্রাউন্দদা চথরক্লিবা ১৯শুবা চেলেনজ কপ ২০১৭গী ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা সেমি ফাইনেলদা চজিং এফ সি না এস ঐচ দি এস ভি এপ এ সদর হিলসপু গোল ২–০ দা মায়থিবা পীদুনা চজিং এফ সি ফাইনেল চঙখ্রে।

ঙসি সদর হিলস অমদি চজিং এফ সি না অকনবা মওং দা লম্বা তৌনদুনা শান্নখিবা অনীশুবা সেমি ফাইনেল মেটচ অদুদা চজিং এফ সি না গোল ২–০ দা সদর হিলসপু মায়থিবা পীখিবনি।

এফ সি চজিংগী মায় পাকপগী গোল অদু মেটচকী মিনট ১৬তা দব্লিউ রোবিন্না অহানবা গোল চনখি। এদিসনেল টাইমদা এম সগোরনা অনীশুবা গোল চনখিবনি।

মেটচ অদুগী মিনট ৪৩ দা সদর হিলসকী লমখোলেন জরিনোনা নিয়ম লান্না শান্নরুবগীদমক রেফরিনা য়েল্লো কার্দ বুক তৌখি।


**URGENT STAFF REQUIRED**

POST : GRAPHIC DESIGNER
NO. OF POST: 2
ELIGIBILITY: WELL EXPERIENCE IN CORAL DRAW, PHOTOSHOP ETC
SALARY : NEGOTIABLE
INTERVIEW DATE :11.00 am, 17MAY 2017
OFFICE ADDRESS :RD Grafix, Sagolband Nepra Menjor Leikai, Imphal
Interested Candidates may contact for details at 7085056257 or send resume to rdgrafix2016@gmail.com





Printed and Published by Waikhom Meghachandra Singh on behalf of Nongpok Publishers Pvt.Ltd from Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor: **H. Achouba Sharma**, Jt. Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, *e-mail : sanaleibakdaily@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com*